# হৱাই মঙ্গন 'মখয়াৎ মুবি' থাবগী অনৌবা কাঙলোন

## (ইনোভেটিভ ফার্মরস মেথোদ)

এস সুমঙ্গল



কুমসি লৌফম নোং লিকপনা হাঙদুনা লৈরবশিংদা হৌজিক রবি সিজন মতম চপ চারকপগা লোয়ননা থাবা য়াবা পাম্বীশিংগী মনুংদা হৱাই মঙ্গলসু অমনি। হৱাই মঙ্গন মীয়াম্না পাম্নবা মরূ ওইবা হৱাই মখলনি। থরাক ওইনা, অকংবা মরু ওইনা অমদি মঙ্গন কাংতক ওইনা মখল মখা কয়াদা হৱাই মঙ্গনগী চন্নফম লৈ। হোর্টিকলচরনা হৱাই মখল অসিবু শীজিন্নবা মওংগী মতুং ইন্না চাওরাক্লা মখল অনী থোক্লা - গার্দেন পি অমসুং ফিল্ড পি হায়না খাইদোক্লে। অহানবগী অসিনা থরাক ওইনা অশাংবা/অতেকপা মরূ অদু চাবনি অদুগা অকোনবগী অসিনা অকংবা মরূ অদু শীজিন্নবনি। অদুবু, মরুওইনা মণিপুরদদি মখল অনীমক অয়াম্বা মীওইশিংনা থরাক ওইনা হেক্তুনা শীজিন্নৈ। থোইদোক্লা অনী থোক্লা খাইদোক্লদে। থরাক হেকপা লোইরবা মতুংদা চিথ্ নাম্থহৌবা অদুখক্তং অকংবা মরূ ওইনা লৌনৈ। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঙসি থমজগদৌরিবা মখল অসিদি মীয়াম্না মখায়ৎ মুবি, চিনমুবি নৎত্রগা মীৎমুবি হায়না খঙনরিবা মণিপুরদা মহৌশাদগী থানরক্লবা মরী শাংনা চৎপা হৱাই মঙ্গন মখল অদুগী মরমদনি।

মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনা মখয়াৎ মুবি হায়রিবা হৱাই মখল অসি অতৈ হৱাইশিংদগী মহাও লৈবা হেনবা মরম্না কৈথেলদা অতৈ হৱাইদগী মমল অদুমক ৱাংনা য়োল্লিবনি। য়াম্নমক মগুন লৈবা অমদি মমিং লৈবা হৱাইনি। মসিবু মণিপুরগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা লৌবুক্তা পাকশন্না অনেম্বা হৱাই মখলগুম হুনবা নৎত্রগা ইঙ্খোলদা ফৈদোম মচা অমা অনী চৈ য়ুংদুনা মরী চৎহন্দুনা/কাহন্দুনা থাবসু থেংনৈ। অদুবু মওং অনীমক্তা চাথোক লৈনা, শেন্দোং য়াম্না ফংবদি ৱাৎলি। পাক শন্না ফিল্ড পিগুম্না হুনবা মতমদা থরাক ৫-১০ দগী হেন্না পানবা থেংনদে। শগাই শাদুনা থাবা মতমদসু চগুংননা থাবা অমদি য়ুংলিবা চৈশিংগী উরুম লাংশিনদুনা থরাক ১৪-১৫ দগী হেন্না পানবা ঙমদে। অসিদসু নত্তনা চৈ য়ুংবগী অৱাবা অমদি অচংবা শেলনা হেল্লগা পোথোক্লা য়াম্না ফংদবা মরম্না য়াম্না পাক শন্না থাবা ঙম্নদে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না, ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দা লৈবা সাপম লুখোইনা হৱাইসিগী মগুনবু খঙবদগী মসিবু মাঙখিগদবদগী কন্ননবা ৱাখল অমগা লোয়ননা মতম কয়া চঙনা তোঙান তোঙানবা মওং কয়া শীজিন্নরগা থাদুনা য়েংলবা মতুংদা শেল ইচং চঙদনা খ্বাইদগী হেন্না চাথোক লৈনা থাবগী মওং অমা পুথোরকখি। হৱাই অসি থাবগী পুথোরক্লিবা মওংদি - য়াম্না লন্না থাবা, শগাই শাবদা শগাইগী মপোৎ য়াম্না চঙহন্দবগা লোয়ননা অমুক শাখিবা শগাইনা চহী অহুম মরি চৎনবা হোৎনবা অসিনচিংবা কয়া অমনি। হায়রিবা হৱাই থাবগী মওং অসি ইন্দিয়াগী ইনোভেটিভ ফার্মরশিংগী মেথোদশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মশকসু খঙবীখিবগা লোয়ননা দোক্যুমেন্ট তৌখ্রবা মেথোদ অমনি। মফম মতমগী মতুং ইন্না খরা হোংদোক হোংজিন তৌরগসু, ইহান হানবা ওইনা লুখোইনা মায় পাক্লা শীজিন্নখিবা মওংদি মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই ঃ-

| | |
|---|---|
| ফৈদোমগী অপাকপা | ঃ 150 cm with convenient length oriented North South |
| মপূং ওইবা পাম্বী | ঃ Pea |
| অরন অকুং | ঃ 60 cm x 60 cm |
| ফৈদোমদা পরেং মশীং | ঃ 2 Nos. |
| শগাই শাবা ঃ | |
| শগাইগী মপোৎ | ঃ ৱা (বেম্বু) মখোং ওইনা শীজিন্নবা |
| মখোঙগী অৱাংবা | ঃ ফিট মাপন |
| মখোঙগী অরন অকুং | ঃ 600 cm x 80 cm |
| থামীন্নবা পাম্বী (ইন্টরক্রোপ) | ঃ কোবিফুল হায়ব্রিদ (গ্রীন হেরো) |
| কোবিগী অরন অকুং | ঃ 60 cm x 104 cm |
| পাম্বী অনীমক্কী থাবগী মতম | ঃ চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর - ওক্টোবর লোন্নবা মতম, কোবিনা নুমিৎ ১৫ নি হান্না থাবা |
| ঈশিং চনবা | ঃ দরকারগী মতুং ইন্না ৩-৪ রক চনবীগনি। ঈশিং ৱাৎলবদি মপূং ফানা চাথোক পুথোকপা ঙমদে। |
| হার হাপ্পা | ঃ হৱাই অমসুং কোবি পাম্বী খুদিংগী য়ুরিয়া |
| | ঃ SSP:MOP:1:4:1 @ 15-20 gm পাম্বীনা হৌরবা মতুংদা পাম্বীগী মনাক্তা হাপ্পীগনি। |
| মেন্যুর | ঃ হৱাই অমসুং কোবি থাদ্রিঙৈদা কাঙখুল খুদিংমক্তা FYM/compost/vermicompost 300 gm হাপ্পীহৌগনি। |
| সীদ ত্রিটমেন্ট | ঃ হৱাই মরু কিলো খুদিংগী Shakti AG gram 8 তৌৎহৌবা য়াম্না ফৈ। |

শগাই শাবগী মওংদি লৌফম অদু খোইদোক্লবা মতুং, ফৈদোম তাখৎপগা লোয়ননা মফম চানা ৱাগী মখোংশিং অদু য়ুংবীগনি। অরোইবা ৱাশিং অদু চুম্না য়ুংবগী মহুত্তা মপানলোমদা ফৈনা য়ুংবীগনি। মসিনা হৱাইগী অরূম্বা পুবা ঙম্বা হেল্লি। মখোংশিংগী মতোন ওইরপ্লা য়ুংলিবা ৱাগী মখোঙ পরেংগা ইরোইননা খরা লিংবা জি আই তারা তিংদুনা শেম্বীগনি। হৱাইনা ফুট অমমুক ৱাংলকপা মতমদা ফি তুবদা শীজিন্নবা লংনা (polyster thread) জি আই তারাদগী পুল্লম্লগা পুথরক্তুনা হৱাই মখোঙদা অমুক্তং য়েৎলগা অমুক তারা য়ৌনা পুখৎতুনা য়েৎলম্লগা অমুক পুথদুনা হৱাই পাম্বী খুদিংমক তিংলিবা জি আই তারা য়ৌনবা লংগী মতেংনা কান্ননবা শগাই শেম্বীগনি।

অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফম অমনা মখোঙ ওইগদৌরিবা ৱাশিং অদু লৈনুংদা ফুমখিগদবা শরুক অদু মৈদা খরা থাহৌবনা ৱা অদু মতম শাংনা কোকফাই শুজা কাদনা মতম শাংনা চৎপা হেল্লি। অসুম্না শাখিবা শগাই অদু চহী ৩-৪ দি অদুমক লেংদনা থম্বা য়াই। হৱাই লোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা কোবি লোকপা লোইখ্রগনি লোয়ননা হৱাইনা ফেব্রুৱারী, মার্চ থা ফাওবা থরাক হেক্তুনা লোকপা য়াই। অসুম্না থাবা হৱাই অমসুং কোবিগী শেন্দোং নিংথিনা ফংবা ঙম্মী।

পাম্বী অনীমক লোকপা লোইখ্রবা মতুংদা শারিবা শগাই অদু অদুমক শীজিন্নদুনা খামেন অশিনবা, কারোট অখাবী, কোলিহৱাই মরী চৎপীনচিংবা অদুমক থাবা য়াই। হায়রিবা অসি লৌফম অদু খোইদোক্তনা নাপীশিং নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা হাৎতোল্লগা কাঙখুলদমক হাল্লগা থাবীগনি।

মসিগী মওং অসিদা শীজিন্নরিবা ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তোইনা হায়নরিবা আই এন এম, ক্রোপ রোটেসন, মিনিমম টিল্লেজ, ক্রোপ দাইভরসিফিকেসন হায়রিবা মরু ওইবা লৌউ শিংউগী কাঙলোনশিং অদুমক্লি।

সাপম লুখোইগী মঙলানদি করিগুম্বদা ৱাগী মখোঙশিং অসিগী মহুত্তা মফম চানা চানা লৈঙাক্কী মতেং পীদুনা জি আই তারাগী মখোঙনা য়ুংবীরবদি অচৌবা মতেং ওইবগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নরবা হৱাই মখল অসি য়োকখৎপদা অমসুং হৱাই অসিবু চাং ৱাংনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বসিনি।

হৱাইগা কোবিগা হায়রিবা মওংসিদা থাবদা লুপা অমা থাদবদা লুপা তরুক ফংবা ঙম্মী হায়বসিনি মীয়ামগী মফমদা থমজনীংলিবদি। লৌফম অদুমক্তুদা অতোপ্পা পাম্বীনা অমুক মখা তানা থাবদা চহী অমদা ক্রোপ অহুম্লক থাবগী তাঞ্জা লৌদুনা লৌমীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎপদা অচৌবা মতেংসু ওইগনি হায়বা ৱাফম অসি থমজরি। ●

# ঙামী অমা ওইরুদ্রবসু ঙাগী পোথোক্লা শেন্দান লম্বী ওইবা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঙাদগী শেম্বা পোথোকশিংগী মগুণ হেনগৎহনবা অমদি চাবগী চাং হেনগৎহনবা হায়বসি ঙা পুথোক্লিবা মীওইশিং, ঙা চারিবা মীওইশিং, ঙাগী পোথোকপু শেম শারিবা মীওইশিং অমদি ঙাগী পোথোকশিংবু লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরিবা মীওই পূম্নমক্লা কন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা ওইরি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি সমুদ্রগা শম্নদবা মফম অমনি। অদুম ওইনমক মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা মরিফুতরা মঙারোমদি ঙা চাই । ঙামী অমা ওইননবগীদমক্তদি পুখ্রি, পাৎ, তুরেলনচিংবা লৈবা মথৌ তাই । তৌইগুম্বসুং ঙামী অমা ওইরুদ্রবসু থবক ফংদবা মীওই কয়াগী শেন্দান লম্বী ঙাগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপনা ওইবা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা মীওই কয়ানা অনৌ অনৌবা পোথোকশিংবু চাবা

পাম্নরকপনা মরম ওইদুনা অনৌবা অমদি মগুণ লৈবা পোথোক কয়া পুথোকপা মথৌ তারি । খুদক্তা চাবা য়ারবা, খুদক্তা থোংবা য়ারবা অমদি পুথোক পুশিন তৌবদা, য়োনবদা অমসুং চাবদা খুদোংচারগদবা ঙাগী পোথোক কয়া পুথোক্লরক্তুনা ময়ামদা খঙহন্ননবা কন্না হোৎনরি। হৌজিক্কী মতমদা মীওই কয়ানা হকচাং ফনবগীদমক্তা য়াম্না খন্থনরকপা মরম্না ঙা চাবা য়াম্না পাম্নরক্লি। শা চাবদগী ঙা চাবনা হেন্না পাম্নরকপগী ৱাফমসু লাক্লি। মরমদি ঙা অসি জিরো কেলোরি ফুদ হায়না খঙনৈ অমসুং নুত্রাসিয়ুটিকেলস খুদম ওইনা হায়রবদা ভিটামিন, মিনরেলস মরাং কায়না য়াওবা ফেটি এসিদস মরুওইনা পোলি অনসেচুরেটেদ ফেটি এসিদ হায়বদি ওমেগা থ্রি ফেটি এসিদকুম্বা অমদি এমিনো এসিদ মরাং কায়না য়াওবননি।

মগুণ লৈবা অমদি অনৌবা ঙাগী পোথোক কয়া পুথোকপগী থবকপু চাওখৎহন্ননবা হোৎনবনা মীওই কয়াগী শেন্দান লম্বী ওইবদা নত্তনা মীওই কয়াবু থবক পীবসু ঙমগনি। মরুওইনা খরা শোথ্না লৈবা কাঙলুপ অমদি নুপী কয়াবু থবক পীবা ঙমগনি। লৈঙাক্কী অমসুং লৈঙাক্কী নত্তবা এজেন্সি কয়ানা ঙামীশিংগী ওইবা কোওপরেটিব সোসাইটিস, এন জি ও অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং মরুওইনা নুপীশিংগী ওইবা গ্রুপশিং শেমদুনা মগুন লৈবা অমদি অনৌ অনৌবা ঙাগী পোথোক কয়া পুথোকপগী থবকশিং পায়খৎপা হায়বসিদা পূক্নিং থৌগৎফম থোকই।

খুদক্তা চাবা য়ারবা ঙাদগী শেম্বা পোথোকশিং- ঙা নৎত্রগা খজিংগী অচার ঃ অচৌবা ঙা ওইরবদি মকু লৌথোক্লবা মতুংদা মরু য়াওদবা মতোংশিং অদু চিথেক নাইবা সেন্টিমিটর অহুমলোম চাউনা ককপীগনি। অপীকপা ঙাশিংসু শীজিন্নবা য়াই। ঙা অমদি অতোপ্পা মচাকশিং হায়বদি মোরোক অতেকপা, শিং, চনম, হঙ্গাম মরূ, য়াইঙং মকুপ, মোরোক মকুপ অমদি জিরা তোঙান্না থাওদা তাওরবা মতুংদা তোৎশিন্নবীগনি। মতুংদা চিনি, থুম, ভিনেগর অমসুং বেনজেইক এসিদ হাপ্পীগনি। মসিদগীদি ইংথহল্লবা মতুংদা অসটেরিলাইজ তৌরবা পাত্রদা হাপ্পীদুনা মখুম খুমজিনগনি অমদি য়ামদ্রবদা থা অমা থম্বীগনি। করিগুম্বা খজিং ওইরবদি মকু ফজনা খোকপীগনি অমদি থুম হাপ্লগা থাওদা তাওবিগনি। হায়রিবা অচার অসি থা তরুক্কী মনুংদা চাবীগদবনি।

ঙাগী পাপর ঃ ফজনা শেল্লবা ঙাশিং ঈশিংদা মিনিট তরাদগী তরামঙা ফাওবা ফুৎপীগনি। মসিদগীদি ইংহল্লবা মতুংদা ঙাগী মতোংশিংদু লৌথোক্লগা মিক্সর অমদা তকখায়গনি। অরহর হৱাই অমসুং অতোপ্পা মচাকশিং হায়বদি শিং, জিরা অমুবা, থুম, শোদানচিংবা হাপ্পীগনি অমদি অপীকপা মতুম মতুম শেম্বীরগা কোয়রপ তৌনা ০.৬ তগী ০.৭ মিলিমিটররোম পানা শেম্বীগনি। হায়রিবা পাপরশিংসি নুংশাদা নৎত্রগা ওভেন্দা কংহন্দুনা ঈশিং মনিলগী চাংসি চাদা ১০ খক্তমক ঙাইরবা মতুংদা মনিল চৎপা ঙমদবা চেরংগী খাওদা হাপ্পীরগা অকংবা মফমদা থম্বীগনি। অসিগুম্বা পাপর অসি থাওদা তাওরগা চাবা য়ারে অমদি থা অনীগী মনুংদা চাবীগদবনি।

ঙাগী নুদল ঃ তকখাইরবা ঙাগী মতোংশিং অদু চুজাক, নুংহৱাই নৎত্রগা চাকনচিংবগা য়ানশিন্নগনি অমদি নুদলগী মওংদা শেম্বীদুনা থোংলগা চাবা য়াই। হায়রিবা ঙাগী নুদল অসি মনিল চৎতবা চেরংগী খাওদা হাপ্তুনা য়োনবসু য়াই।

খুদক্তা থোংবা য়ারবা ঙাদগী শেম্বা পোৎথোকশিং - ঙাগী কটলেৎ ঃ থোংদোল্লবা ঙা মতোংগী মকুপশিং অদু থোংলবা আলু, তিলহৌ, মোরোক, শিং, মরু-মরাং অমসুং অতোপ্পা মচলশিংগা তোৎশিল্লবা মতুংদা অপাম্বা মওং হায়বদি মতুম তাবা, শাংতক তৌবনচিংবা মওংদা চাওরাক্লা গ্রাম ৩০ মুক লুম্না শেম্বীগনি। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি বট্টর তৈরগা দবলরোতিগী মকুপ তৈরগা থাওদা তাওথোল্লগা রেফ্রিজরেটরদা থমদুনা অপাম্বা মতমদা শীজিন্নবা য়াগনি।

পনবা য়াবা অতোপ্পা খুদক্তা থোংবা য়াবা ঙাদগী শেম্বা পোথোকশিংদি ফিস ফিংগর, ফিসবোন, ফিস বরগর, ফিস ফ্লেকস, ফিস সেনিৱস অমদি ফিস সুপ পাওদর অসিনচিংবনি।



পুথোক পুশিন তৌবদা, য়োনবদা অমসুং চাবদা খুদোংচাগদবা ঙাগী পোথোকশিং ঃ ফজনা শেল্লবা ঙাশিং অরুম্বা ওম্থোল্লগা চেরং খাওদা হাপ্লগা য়োনবা য়াই। ঙাগী মকু, মকোক অমদি মথিবোং-মরিন ফজনা লৌথোল্লগা চামথোল্লবা মতুংদা চেরং খাওদা হাপ্লগা মমিং মথা ফজনা থারগা য়োনবসু য়াই। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি দিপ ফ্রিজরদা (-২০০সী) হাপ্লগা থমদুনা নুমিৎচুপ্পা য়োনবা য়াই। হায়রিবা পোৎশক অসি নুমিৎ কুন্দগী কুন্থ্রা ফাওবা থম্বা য়াই। ঙা অয়াইবা, ঙা থুম য়াকপী অমদি ঙারিনচিংবা ঙাদগী শেম্বা পোৎশকশিং অসি অফবা মখলগী চেরংগী খাওদা হাপ্লগা থম্বা অমদি য়োনবা য়াই। ফরমেন্টেদ ফিস হায়বদি ঙারিগুম্বা অসিনা ভেকম পেকেটতা হাপ্পীবনা হেন্না ফৈ। অসুম তৌরবরদি দুকান অমদা হেক্তা য়োনবা অমদি পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচারগনি। ঙাগী প্লাজা হায়বদি রেষ্টুরেন্টশিংদা ঙাগী ওইবা পোথোকশিং অসি শুনা থমদুনা য়োল্লবদি শা চাদবা মীওই কয়াবু পূক্নিং চিংশিনবতা নত্তনা য়েন ফংদবা মতম হায়বদি বার্দ ফ্লু নাবা মতমগুম্বদা মীওই কয়াবু পূক্নিং চিংশিন্দুনা মীওই কয়াগী শেন্দান লম্বী ওইবা য়াগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ঙাদগী শেম্বা পোৎথোক কয়া অসি শেমদুনা মীওই কয়াগী শেন্দাল লম্বী ওইহনবদা নত্তনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ফৌদা তাগনবা তীল অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ -৮

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ফৌদোন কংবী (Leaf Scald; Microdochium Oryzae)

মপূং মরৈ ফারবা ফৌনাগী মতোন থংবা শরুকশিং অদু চরু মচু ওইরকপগা লোয়ননা কংশিল্লগা লেমহৌরিবা মনাগী শরুকশিং অদু শংদুনা লৈবা থেংনগনি। কংশিল্লক্লিবা ফৌদোনশিং অদু অয়ুক অঙনবা লিক্লা লৈরিঙৈ নৎত্রগা নোং চুখিবা কুইদ্রিঙৈদদি চরু মচু ওল্লবা ফৌদোন অদুদা ৱাওথাংনবদা হেন্না মুশিনবা মচুগী ময়ি-ময়ি ঈথক হৌবগুম লৈবা থেংনগনি। মসি নৎত্রগনা কংশিল্লবা ফৌদোনশিং অদু অরুবা ঈশিংদা মিনট ৫-১০ তিংলগা থম্লবা মতুংদা লৌখৎলবসু মান্নবা লায়ওংশিং অসি উবা ফংবীগনি। মপূং ওইনা লায়না অসি নোং চিফেৎ চিফেৎ চুবা মতম, লৌফমদা নাইত্রোজেনগী চাং ৱাংবা অমসুং কুংনা থাবা মফমদা মপুং ওইনা লায়না অসি তাগল্লি। ফৌনাদা অশোক অপন য়াওবা মতমদা লায়না অসি হেন্না থুনা শন্দোকই। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক carbendazim 50% গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। অদুগা লৌশঙম অমগী লৌফমদা গ্রাম ১৫০ কাপ্পীগনি।

Grassy Stunt : লায়না মখল অসিনা নারবা ফৌ পাম্বীশিং অদু য়াম্না নেমগনি, মচা কা হেন্না পোক্কনি অদুগা মনা অদু চপ তিংগনি, তেনগনি, মরাক চপকনি, অশংবা মচু অদু তাইফেৎ তাইগনি নৎত্রগা হঙ্গাম মপাল মচু চংশিল্লক্কনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ফৌ চরোং পুথোকপা ঙমহন্দদুনা ফৌগী পোৎথোক হন্থহল্লি। অরিবা ফৌনাশিংদা কোহ্লিং মচুগী অকূপ্পা/মচেৎ মচেৎ লাংবা দাগফম ময়াম লৈবা থেংনগনি। নাইত্রোজেন য়াওবা হার মরাং কায়না চাইরবদি ফৌনাশিং অদু শংদুনা অদুম লৈগনি। লায়না অসি মপূং ওইনা চহী চূপ্পা ফৌ থাদুনা লৈবা মফমদনা হেন্না নাগল্লি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরসশিং অসি হোপ্পরশিংগী মতেংনা লায়না তারবা পাম্বীদগী লায়না তাদবা পাম্বীশিংদা শন্দোকই। লায়না তারবা পাম্বীদগী হোপ্পরগী মচা অমদি হোপ্পর মপীশিংনা লায়না শন্দোক্লবগীদমক লায়না তারবা পাম্বীদা মিনট ৩০দগী তাদনা মহী চুপ্তুনা লৈবা তঙাইফদে। লায়না অসি ফৌ পাম্বীগী পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা হেক্তা তাবা য়াই। অদুবু ফৌনা মচা কন্না পোকপা মতমদনা খরা হেন্না নাগল্লি। লায়না অসিগী মহিক চংখ্রবা ফৌ পাম্বীনা মহীক চংখিবদগী নুমিৎ ১০-১২ নিমুক শুবদা লায়না অসিগী লায়ওংশিং উৎথোরকই। লায়না অসি ব্রাউন প্লান্ট হোপ্পর (মীয়াম্না ফৌগী ৱাহীক হায়না খঙনবা) না ফৌ পাম্বীশিংবু মাঙ তাকহনবা মফমশিংদা হেন্না থেংনগল্লি। লায়না অসি মপূং ওইনা লায়না পল্লবা ফৌগী চরুখোকশিংদা নৎত্রগা তাহৌবা ফৌ মরূদগী হৌগৎলকপা পাম্বীশিংদা য়াওবা মহীকশিংনা শন্দোকই। মরম অসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদক ব্রাউন প্লান্ট হোপ্পর চংবা ঙমদবা ফৌগী মখল শীজিন্নবা নৎত্রগা Admire হায়বা Imidaclorprid 90% য়াওবা হীদাক অসিগী গ্রাম ২ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগদবনি।

Tungro : লায়না অসিসু ফৌ পাম্বীশিং অদু চাউবা হেলহন্দে অদুগা মচা পোকপগী চাংসু য়াম্না নেমই। ফৌনাগী অশংবা মচু মাঙশিল্লকপগী থবক অসি ফৌনাগী মতোন অমদি ফৌনাগী মতাই থংবা শরুক্তুগী হৌরকই অমদি ফৌখোকলোমদা অসুম অসুম চঙশিল্লকই। অশংবা ফৌনাশিংদু হঙ্গাম মপাল নৎত্রগা কমলা মচু ওইরক্কনি। অদুগা তারিবা মনাশিংদদি কোহ্লিং মচুগী দাগফমশিং লৈবা থেংনগনি। লায়না অসি তারবা ফৌ পাম্বীশিং অদু ময়ামদগী থেংথনা মপাল শাগনি। লোয়ননা মরূ নিংথিনা চংদবা অমদি চরোংশিং মপূং ফানা থিন্দোক্তবা থেংনগনি। লায়না অসি গ্রীন প্লান হোপ্পর হায়বা তিল অদুনা মপূং ওইনা শন্দোকই। লায়না অসি চহী চূপ্পা ফৌ থাদুনা লৈবা মফমশিংদনা হেন্না তাগল্লি। লায়না অসি ভাইরস মখল অনীনা থোকহনবনি। অদুগা হায়রিবা মহীক মখল অনী অসি পূন্না লৈরবা মতমদা লায়না অসিগী চপ চাবা লায়ওং উৎথোরকই। লায়না অসিগী মহীকশিং ফৌ হৌদবা মতমদা শাইদাংফম লৌদুনা লৈগদবা নাপী মখল ময়াম অমা লৈ। হায়রিবা নাপীশিং অসিদগী গ্রীন প্লান্ট হোপ্পরশিংদা ফৌ থারবা মতমদা ফৌদা অমুক শন্দোরকই। লায়না অসি পাক শন্না শন্দোকপা নৎত্রগা শন্দোক্তবা হায়বসি লায়না অসি থোকহন্নবগীদমক লায়না পকপা ফৌ নৎত্রগা নাপীশিং লৈবা অমদি শন্দোক্লবা গ্রীন প্লান্ট হোপ্পরশিং লৈবা লৈতবগী মখা পোল্লি। লায়না অসি তুঙ্গোনি হায়বা খঙগে হায়রবদি আইওদিন গ্রাম ২ অমদি পোটাসিয়ম আইওদাইদ গ্রাম ৬ লৌবিরগা ঈশিং মিলি লিটর ১০০দা তুমহনবীরো অমদি অয়ূক য়াম্না ঙন্না ফৌনাশিং অদু হেকপীরুরগা সেন্টিমিটর ১০ গুম্বা লূপশিন দুনা মিনট ১৫গুম্বা থম্লগা লৌখৎপীয়ু। মতম অদুদা ফৌনাশিংদুদা হিগোক মচুগী পরম-পরম ময়াম অমা লৈবা থেংনবীগনি। লায়না অসিনা শন্দোকখ্রবা পাম্বীশিংবু ফগৎহন্নবা পাম্বৈ লৈতে। মরম অসিনা ঙাকথোক্লবগীদমক গ্রীন প্লান্ট হোপ্পর লৈহন্দনবা তীল হীদাকশিং শীজিন্নবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে। অদুগা লায়না অসিনা শোকহল্লবা পাম্বীশিং অদুদি ফুক্তুৎলগা মাঙহনবীখিবনা খ্বাইদগী ফৈ।

ৱারোইশিন : ফৌ থাবিরিবা লৌমীশিংনা মশা মশাগী লৌফমদা তারিবা লায়না অমদি তীলনাশিং মশক খঙদোকপা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে। অসুম্না মশক খঙদোল্লবা মতুংদা লায়না/তীলনাদুমক্কা চান্নবা হীদাক লাংথকশিংতমক শীজিন্নবীদুনা লৌফমদা হীদাক তোয়না কাপকদবদগী ঙাকথোকপা মতম ওইরে। লৌমী কয়া অমনা হীদাক লান্না কাপ্পা, হীদাক য়ানবগী চাং চুমদবা, হীদাকশিং অদু শীজিন্নবগী মওং চুমদবা (লৈমায়দা চাইগদবা/মনাদা পম্পনা কাপ্পীগদবা), হীদাকশিং অদু লৌফমদা মতম চুমদবনা মরম ওইদুনা পাল্লিবা পান্দম অদু ফংদবনা হীদাক হঞ্জিন হঞ্জিন কাপ্লি। মসিনা মরম ওইদুনা অহেনবা শেল চৎহল্লি অমদি লৌমীগী শেম্থোক হন্থহল্লি। মসিদা নত্তনা হীদাক হঞ্জিন হঞ্জিন কাপ্পনা মরম ওইদুনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিল্লি। মরম অদুনা হীদাক কাপ্পীগদবা লৈরবদি অখঙ অহৈশিং তানবীগদবনি অমদি অচুম্বা হীদাক চাং চানা য়ানবীগদবনি অমদি শীজিন্নবগী মওং চুম্না অমদি মতম চানা কাপ্পীদুনা শেল হেন্না চৎহল্লোইদবনি অমদি অকোয়বগী খল ঙাক্লা থম্নবা হোৎনবদা খুদিংমক্লা শরুক য়ামিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।